# মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লগনি

**শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ** রত্নেশ্বরি গোস্বামী

ঙসিগী নুমিৎ অসি মণিপুরগী ওইনদি খ্বাইদগী মরু ওইবা নুমিৎনি। লমদমসিদা "শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ" হায়দুনা ফেব্রুৱারি ২৫ দা থম্লিবা অসিমক খ্বাইদগী মরম চাবা অমনি। অসিগুম্বা নুমিৎ অসি মতৌ করম্না শেল্লকখিবনো হায়বা তারবদি ষ্টেটসিগী শান্নরোয়শিংনা শান্ন খোৎনবদা উৎখিবা থৌনা, লৌশিং, থোইদোকপা শক্তি অদুননি হায়বা য়াই। তশেংনা হায়রবদা কুমজা ১৯৯৯ গী ফেব্রুৱারি থাদা মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা "মঙাশুবা নেসনেল গেমস" তা ষ্টেট অসিনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন ওইখি। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা গেমস অদুদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্বগীদমক অখন্নবা মনা "রাজা ভলেন্দ্র সিংহ ট্রোফি" মণিপুরনা লৌবা ঙমখি। লেমজনিংঙাই ওইরবা ট্রোফি অসি ফংবা ঙমখিবগীদমক ফেব্রুৱারি ২৫ বু শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ হায়দুনা ঙসি ফাওবা শিংথাদুনা লাক্লি।




কুমজা ১৯৯৯ গী ফেব্রুৱারি ১৪ দগী ২৫ ফাওবা নুমিৎ ১২ নি চুপ্না মণিপুরনা য়ূম্বু ওইদুনা মঙাশুবা নেসনেল গেমস মায় পাক্না পাঙথোকখি। হায়রিবা গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ২৬, য়ুনিয়ন টেরিটোরি অহুম অমদি সার্ভিসেস টিম য়াওনা পূন্না কন্টিনজেন্ট ৩০ না শরুক য়াখি। মঙাশুবা নেসনেল গেমসতা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শরুক য়াখিবা টিমশিংদি কর্ণাটাকা, কেরলা, টামিল নাদু, অন্ধ্র প্রদেশ, মহারাষ্ট্র, গোৱা, গুজরাট, মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, পঞ্জাব, হরিয়ানা, হিমাচল প্রদেশ, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, দেল্লি, উত্তর প্রদেশ, বিহার, ওরিষা, ৱেষ্ট বেঙ্গল, অন্দমান এন্দ নিকোবর, চান্দিগর, পোন্দিচেরি, অরুনাচল প্রদেশ, মেঘালয়া, মীজোরাম, সিক্কিম, নাগালেন্দ, ত্রিপুরা অমসুং মণিপুরনি। হায়রিবা গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদগী লাকখিবা শান্নরোয় ৬,২৩৩ না মশান্না ২৭ তা অকনবা চাংয়েং তৌনখি।

মণিপুরগী ওইনা, "মঙাশুবা নেসনেল গেমস" অদুদা শান্নরোয় ৫৯০ না শরুক য়াখি। মদুদা নুপা শান্নরোয়না ৩৩৫, নুপী শান্নরোয়না ২৫৫ ওইখি। মশান্না ২৭ তা অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুংদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা সনাগী মেদল ৪৯, লুপাগী মেদল ২৪, সেঙ্গেংগী মেদল ৩৯ পূন্না মেদল ১১২ ফংবা ঙমখি।

স্পোর্টস ইভেন্ট ২৭ মক্তা শরুক য়াখ্রবসু মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা শুপ্নগী মশান্না ১৭ খক্তংদা মেদল লৌবা ঙমখি। মঙাশুবা নেসনেল গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা অখন্নবা রেকোর্দ কয়াসু থমখি। অদুগা নেসনেল গেমস রেকোর্দ ৭৯ না থুগাইখি। গেমসতুদা রেকোর্দ থমখিবশিংদি অর্চরিদা অহুম, ৱেঠ লিফটিংদা ১২, সাইক্লিংদা মঙা, শুটিংদা ১১ অনৌবা রেকোর্দ থম্লখি।

ৱাফম অমনা, মঙাশুবা নেসনেল গেমস অদুদা মণিপুরগী শান্নরোয় খরদি অতোপ্পা ষ্টেটকী মেদল মশীং হেঙ্গৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। মতমদুদা বেন্টাম ৱেঠকী বোক্সর মণিপুরগী ঙাঙোম দিঙ্কুনা সার্ভিসেসকীদমক বেষ্ট বোক্সর তাবদা নত্তনা সনাগী মেদল অমা লৌখি। মহাকখক্তা নত্তনা মণিপুরী মচা লাইট ৱেঠকী বোক্সর জোলিশন তাঙ্খুলনা বিহারগীদমক গোল্ড মেদল অমা হেঙ্গৎহনখি।

নুপীগী ৱেঠ লিফটিংদসু ঙাঙবম রোনিনা কিলোগ্রাম ৭৫ গী কাঙলুপ্তা ন্যু গেমস রেকোর্দ থম্বদা নত্তনা সার্ভিসেসকী মেদল অমা লৌখি। মণিপুরগী লিফটর জীনাবীসু মীজোরামগীদমক ব্রোঞ্জ মেদল অমা মশীং হেঙ্গৎহনখি। মেন'স ফুটবোলগী চেম্পিয়ন ওইখিবা মহারাষ্ট্রদা ষ্টেট অসিগী ফুটবোল্লর জেমস, বার্লিন, সুরেস, ৱিল্লিজয় য়াওখি। অসিদসু নত্তনা শিজগুরুময়ূম সুনিল শর্ম্মনা গোৱাগীদমক টাইক্বান্দোদগী সনাগী মেদল অমা লৌখি। কর্ণাটাকাদা ফেন্সিং কোচ ওইদুনা লৈখ্রবা ইরোম দেবান্না শেমদুনা পুথোরকপা কর্ণাটাকাদগী নুপা অমসুং নুপীগী ফেন্সিং শান্নরোয়শিংনা অতোপ অতোপ্পা ষ্টেটকী মেদল কয়ামরুম লৌখি।

মণিপুরগী শান্নরোয় কয়া অমা মপান ষ্টেটতা সার্ভিসেসতা থোক্তুনা শান্নজখ্রগসু মণিপুরনা সনাগী মেদল ৪৯, লুপাগী ২৪, সেঙ্গেংগী ৩৯ লৌদুনা গেমস অদুগী পোইন্ট ৪৮৬ ফংদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন লৌবা ঙমখি।

মঙাশুবা নেসনেল গেমসতা মণিপুরনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন লৌবা ঙমখিবা অদু ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েশন্না শেম্বা নীয়ম অমগী মতুং ইন্ননি। আই ও এগী চৎন-পথাপ মতুং ইন্না ইন্দিভিজুয়েলগী ওইবা মশান্নশিংগী ফর্ষ্ট, সেকেন্দ, থার্দ, ফোর্থ তাবদা মথংশিংৎনা পোইন্ট মঙা, অহুম, অনী অমা ফংগনি। হায়রিবা নীয়ম অসি বোক্সিং, জুদো অমসুং টাইক্বান্দোদদি চৎনদে। ইভেন্ট অহুম অসিগী ওইনদি ফর্ষ্ট, সেকেন্দ, থার্দ তাবদা পোইন্ট মঙা, অহুম, অমা ফংগনি। অদুগা টিমগী ওইবা মশান্নগীনা ফর্ষ্ট তাবদা পোইন্ট তরা, সেকেন্দদনা পোইন্ট তরুক, থার্দ তাবদনা পোইন্ট মরি, ফোর্থতনা পোইন্ট অনী ফংগনি হায়বা লৈ। হায়রিবা নীয়মশিং অদুগী মতুং ইন্না মণিপুরনা পোইন্ট ৪৮৬ ফংদুনা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী লেমজনিংঙাই ওইরবা রাজা ভলেন্দ্র সিংহ ট্রোফিগী মপু ওইবা ঙমখি। কুমজা ১৯৯৯ গী ফেব্রুৱারি ২৫ দা ফংখিবা ট্রোফি অসিবু নিংশিংদুনা ঙসি ফাওবা "শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ" হায়দুনা থৌরম চথদুনা লাক্লি। য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা চথরকপা থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা মপুং ওইনা পাঙথোক্কনি।

# ৱর্ল্ড টি-২০ দা ক্রিকেটর ১৯ না থংনা থংননা মখোয়গী লৈবাক্কীদমক তরুক্লকশুবা ওইনা শরুক য়াগনি




ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ২৪ ঃ

আই সি সি ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ টুর্নামেন্টগী তরুকশুবা এদিসন লাক্লিবা মার্চ ৮ দগী ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা হৌরগনি। হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসিদা প্লেয়র ১৯ না মখোয় মখোয়গী লৈবাক্কীদমক থংনা থংননা তরুক্লকশুবা ওইনা শরুক য়াগদৌরি।

টিম ইন্দিয়াগী স্কিপ্পর মহেন্দ্র সিংহ ধোনিগা লোয়ননা রোহিট শর্ম্মা অমদি যুভরাজ সিংহসু কুমজা ২০০৭ তগী পাঙথোকপা হৌরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা থংনা থংননা তরুক্লকশুবা ওইনা শরুক য়াগদবা ক্রিকেটর ১৯ গী মনুংদা য়াওরি।

আই সি সি ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবগী টুর্নামেন্ট মঙাদি লৈবাক মঙাদা পাঙথোকখ্রে। লৈবাকশিং অদুদি সাউথ অফ্রিকা, ইংলেন্দ, ৱেষ্ট ইন্দিজ, শ্রী লঙ্কা অমদি বংলাদেশনি। অতেনবা ফোর্মেটতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা থংনা থংননা তরুক্লক শরুক য়াগদৌরিবা প্লেয়র ১৯ অদুদি বংলাদেশকী প্লেয়র মঙা, ইন্দিয়াগী অহুম, ৱেষ্ট ইন্দিজগী অহুম, ন্যুজিলেন্দগী অনী, সাউথ অফ্রিকাগী অনী, শ্রী লঙ্কাগী অনী, পাকিস্তানগী অমা অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী অমনি।

প্লেয়রশিং অদুদি বংলাদেশকী কেপ্তেন মাশ্রাফ বিন মোটাজা, শাকিব অল হসন, টামিম ইগবাল, মাহমুদুল্লাহ অমদি মুশফিকর রহিমনি। ইন্দিয়াগীনা কেপ্তেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনি, রোহিট শর্ম্মা অমদি যুভরাজ সিংহনি। ৱেষ্ট ইন্দিজগীদা দৱায়ন ব্রাবো, ক্রিস গয়ল অমদি দেনেশ রামদিননি। ন্যুজিলেন্দগীনা রোস টেলর অমদি নথান মেককল্লমনি। সাউথ অফ্রিকাগীনা এ বি দি ভিল্লিয়রস অমদি জে পি দুসিনিনি। শ্রী লঙ্কাগীনা টিল্লকারাটনে দিলশাম অমদি লাসিট মালিঙ্গানি। পাকিস্তাননা শাহিদ অফ্রিদিনি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী শেম ৱাটসননি।

চৈরক অসিদা ৱিমেন'স সেক্সনগীদা নুপী প্লেয়র ২৯ না মখোয়গী থংনা থংননা মঙারকশুবা ওইনা মেগা ইভেন্টতা শরুক য়াগনি।

# এসিয়া কপঃ শ্রী লঙ্কানা মখোয়গী অহানবা মেচতা য়ু এ ঈ মায়থীবা পীগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্লি



ধাকা, ফেব্রুৱারি ২৪ ঃ

শ্রী লঙ্কানা শগোলশেন নুমিৎতা থাক নেম্না লৈরিবা য়ুনাইটেদ অরাব ইমিরেটসপু এসিয়া কপ টি ২০ টুর্নামেন্টতা মায়থীবা পীনবা মিৎয়েং থমখ্রে।

শ্রী লঙ্কান টিমদা শোকপদগী মতম খরা য়াওদনা লাকখ্রবা স্কিপ্পর লাসিট মলিঙ্গা অমদি টেষ্ট কেপ্তেন এঞ্জেলো মেথিয়ুনা টিমদা হল্লক্তুনা য়াওখ্রবনি। মলিঙ্গা অমদি মেথিয়ুনা হন্দক্তা ইন্দিয়াগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা টি ২০ সেরিজদা মশাগী অনাবা লৈবদগী শান্নবা য়াওবা ঙমখিদবনি।

মলিঙ্গানা বোল্লিং দিপার্টমেন্টতা হল্লকখিবা অমদি ওল রাউন্দর মেথিয়ুনা টিমদা য়াওরকখিবনা শ্রী লঙ্কানা য়ু এ ঈবু শুংশোই শোইদনা মায়থীবা পীগনি হায়বগী থাজবা চাউনা লৈখ্রে।

শ্রী লঙ্কান টিমদা য়াওরিবা মশক নাইরবা ক্রিকেটরশিংদি সিজন লেফট আর্ম স্পিন্নর রাগানা হেরাথ য়াওরি। মহাকসু টিমদা হন্দক্তা হল্লকখিবনি। টিমগী বেট্টিংদা লিংনা লৈরিবা টিল্লকারাটনে দিলশান, মেথিয়ু, দিনেশ চান্দিমাল, চামারা কাপুগেদারা অমদি টিসারা পেরেরানা লৈদুনা টিমগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরি।

বোলিংদা মলিঙ্গাগী শিংথারবা য়োকরনা লম্বানগদবা টিম প্লেয়রশিংগী থরক হুনগৎহনগনি অমদি নুৱান কুলাসেকারানা মায়কৈ অনীদা বোলশিং লংবা ঙমদুনা মায়োক্লগদবা টিমগী প্লেয়রশিংদা অকি অখণ্ড লৈহনগদৌরি।

অহুমশুবা সিমরদা দুসমন্ত চমিরানা মশক থোক্লা বোল লংদুনা মায়োক্লুবা টিমদা চাউনা অপনবা পীগদৌরি। অদুগা সসিত্রা সেনানায়েকে অমসুং হেরাটনা স্পিন দিপার্টমেন্ট পুদুনা বোলশিং লংগনি।

টিমদা মহেলা জয়াৱার্দেনে অমদি কুমার শঙ্গকরা য়াওদবনা টিমগী পার্ফোমেন্সতা মনিং হনগনি হায়বগী থোইদোকপা মরম লৈতে। হৌজিক লৈরিবা টিম অসিনা হেন্না মতিক চানা শান্নদুনা মায় পাক্কনি হায়না লৌরিবনি। অদুগা চান্দিমা অমদি কাপুগেদারানা টিমগীদমক দাইত্ব লৌদুনা রন মশীং য়াম্না লৌননবা আশা তৌবগা লোয়ননা মখোয় অনীনা মেচ মায় পাক্লনবগী উৎলক্কদবা পার্ফোমেন্স অদু উবা ফংলগনি।

# বিরচন্দ্র অন্দর-১৬ ফুটবোলদা এম টি এস য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৪ ঃ

টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিনা শিন্দুনা তাওবুংখোক্তা লৈবা একাদেমি অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১০ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা অন্দর-১৬ টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এম টি এস য়ু মালোম মায় পাকখ্রে।

টিম ১০ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এম টি এস য়ু মালোমনা টি বি এস এফ এ তাওবুংখোক গোল ১০-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা এম টি এস য়ু মালোমগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি।

এম টি এস য়ু মালোমগী শান্নরোয়শিংনা কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নখিবগা লোয়ননা টিমদুগী মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা হেপিসন্না গোল ৬ চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি। টিমদুগী শান্নরোয় হেপিসন্না গোলশিং অদু মেচকী ১২, ১৫, ৪০, ৪৩, ৪৯ অমসুং ৫১ শুবা মিনিটতা চনখি।

টিমদুগী শান্নরোয় হরিদাসনা গোল অনী মেচকী ৭ অমসুং ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি। জেকনা গোল অনী মেচকী ২৮ অমসুং ৭২ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ১০ শুখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা টি দি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক্কী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু সেখরনা মেচকী ২১ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক্কী লনচেনবনা মেচকী ৫৩ শুবা মিনিটতা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচনুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা টি দি এফ সি ময়াং লাংজিং অমসুং ৱাই টি জি পি টি য়াইরিপোক তোপকা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক অমসুং এল এফ এ টিম এ থিনুঙ্গৈগা শান্নগনি।




# ষ্টেট লেভেল টগ ওফ ৱার চেম্পিয়নশিপ



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৪ ঃ

মণিপুর টগ ওফ ৱার এসোসিএশন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মগী গেট নম্বর ১৪ দা লৈবা প্রেক্টিশ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১০ শুবা ষ্টেট লেভেল টগ ওফ ৱার চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ হয়েং লোইশিল্লগনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি নীনি চনবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৪৮০ গী অহানবা লীগ মেচতা এন এল সিনা থিয়াম কোঞ্জিল ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবা মেচতা য়ুনিক জিম্না এম জি এম ক্লব ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবদা থিয়াম কোঞ্জিলনা রোয়িং ক্লব ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবদা এন এল সিনা এম জি এম ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী কেজি ৫৬০ গী কাঙলুপ্তা পাঙথোকখিবা অহানবা মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা এম বি কোম ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। অনীশুবদা ৱাই বি বি জিম্না রোয়িং ক্লব ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবদা টিপ ফিটনেসনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব ৩-০ দা থোইখি। মরিশুবদা কে এম এস এনা য়ুনিক জিম ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। মঙাশুবদা এম বি কোমনা রোয়িং ৩-০ দা থোইখি। তরুকশুবদা টিপ ফিটনেসনা ৱাই বি বি জিম ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। তরেৎশুবদা কে এম এস এনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। নিপানশুবদা য়ুনিক জিম্না রোয়িং ক্লব ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। ৯ শুবদা কে এম এস এনা এম বি কোম ৩-০ দা মায়থীবা পীখি। ১০ শুবা মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা য়ুনিক জিম ৩-০ দা মায়থীবা পীখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী হয়েং লেমহৌরিবা লীগ মেচশিং শান্নবা লোইরবা মতুং নুপা অমসুং নুপীগী খ্বাইদগী ফবা টিম ৪/৪ খনগৎতুনা সেমী ফাইনেল শান্নরবা মতুং ফাইনেল মেচ শান্নদুনা লোইশিল্লগনি। হয়েংগী মেচশিং অয়ূক পুং ১১ তাবা মতমদগী চথবা হৌরগনি।

# ষ্টেট লেভেল ওপন সিক্স এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৪ ঃ


হিসু থৌবালনা শিন্দুনা হিসু গ্রাউন্দদা চথরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ওপন সিক্স এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেচতা ৱাই দি এফ এ অংথা অমসুং দল্লিয়ু এফ সি মোইরাংখোম মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ৱাই দি এফ এ অংথানা এফ এফ সি থৌবাল গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা ৱাই দি এফ এ অংথাগী অহানবা গোল মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা ৱাই জেমসনা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল এন ওলেন্না মেচকী ১৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ৱাই দি এফ এ অমসুং এফ এফ সি থৌবালগী শান্নরোয় অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা রেফ্রিনা রেদ কার্দ বুক তৌদুনা মেচতগী তান্থোকখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা দল্লিয়ু এফ সি মোইরাংখোম্না সুসাল লাঙথেল গোল ৩-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা দল্লিয়ু এফ সি মোইরাংখোমগী অহানবা গোল মিলন্না মেচকী ২২ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল বোবিনা মেচকী ২৮ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল দিপক্না মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা চনখি।

HL-B/2920/28/1-23/2







ওষ্ট্রেলিয়ানা ন্যুজিলেন্দবু টেষ্ট মেচ অনীগী সেরিজ ২-০ দা মায় পাকখ্রবা মতুং টিম প্লেয়রশিংনা হরাওবা ফোঙদোকখিবা। সেরিজ অসি ওষ্ট্রেলিয়ানা লৌখিবদগী আই সি সি টেষ্ট রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান্দা লৈখ্রে।

# আই সি সি ৱর্ল্ড টি-২০গী টিকেট য়োনবা হৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারি ২৪ ঃ ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা লাক্লিবা মার্চ ৮ দগী চথবা হৌগদৌরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি-২০ গী টিকেট ঙসিদগী বুকমাইসো হায়বা ৱেবসাইটতা য়োনবা হৌখ্রে।

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, আই সি সি দল্লিয়ু টি-২০ গী অহানবা ফেজগী টিকেট য়োনবা ঙসিদগী হৌরে। য়োল্লিবা টিকেট অসিদা নুপীগী মেচকীদমকসু য়াওরে।

টিকেটশিং অসি পাম্বশিংনা ৱেবসাইটতগী লৈবা য়াগনি। য়োল্লিবা টিকেট অসিদা ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপীনা শান্নগদবা মেচশিং, সেমী ফাইনেল অমদি ফাইনেলগী মেচশিং য়াওদ্রি। টিকেট য়োনবা হৌখ্রবা মেচশিং অসি বেঙ্গলোর, চেন্নাই, ধর্ম্মশালা, কোলকটা অমদি মোহালিদা পাঙথোক্কদবশিংগীনি।